

১৯৮১-৮২গী পামনবা লৈরেং লাইরিক খনগৎপদা মণিপুর ষ্টেট
কলা একাদেমীনা লুপা ৬০০ (চাতরুক) খক কোঙনবগী
মতেঙ পাবিরবা।

মী-পোং

(লৈরেং কুম মাওরবা লাইরিক)

সনাখম্চা রঘুমনি, এডভোকেট
এল এল, বি (গৌ.), এল এল, এম (কুরু:)
খা-মণিপুর লো কোলেজ, ককচিংগী ইহাম হাপবা
প্রিন্সিপাল ওইরম্বা

মরক পুন্না অইবগীনি] [লুপা ৫·০০

কোওজবা —

সনসম মেঘাচৌবী

ডি. সি. সেন্ট্রেল ওফিস, মার্কেটিং সেক্সন
লম্ফেলপাৎ, ইম্ফাল।

মখুম লাই য়েকপা অমসুং শাবা —

ক্ষেত্রিময়ুম ইবোয়াহিম।

কলেজ ওফ আর্ট, ককচিংগী ওজা।

অহানবা থুংলম ..

এপ্রিল, ১৯৮৩।

লাইরিক মশীং -

১,৫০০।

লাইরিক নম্ফম —

লিচৌং প্রেস

ককচিং খৈথেল, মণিপুর।

মুশি মুশি চনা
ঠৈ রেংসিগী মহেন্দ্রশিংবু
মা মাদুনা পাবীরিবা
ইবুংহে ডা-ইবোম্চাশিংগী
নকমদা।

অহৈবগী চাওরাকপা

সনাবামচা রঘুমনি ১৯৪৬ কী ওক্টোবর ৭ নিংথৌকাবা মুখিক বাবগাইদা পোকখি। অপোকপগী মিংনা সনাবাম অঙাকল অমস্তুং অপোকপীগীনা গুইরেম চনু ইবেতোন কৌই। পশ্চেম পল্লোগী পুন্না মচানুপি অমা মচানিপা। নিপানগী মনুংদ অহুম শুবনি অমস্তুং কৌজিক হৌজিক হিংলিবা মচানিপা ১ কা খুপাংদগী ইকন কনখ্রিনি। অপোকপগী পুংফম ইংকম্না ওইরসি ওজা ওইরম্বনা অইবনা চহি ১ শুরুংক লৈরকপগী মপোকটগী ওজা ওইকম ইবেংবনা ক্লাস ফাওবা লৈরকলি।

ইবেংবনদ চাওরকলবা অঙৌবা অসি ককচিং হাইস্কুলদগী ১৯৬৩ দা মেট্রিক, ১৯৬৮ দা মণিপুর কোলেজদগী বি, এ ১৯৭০ দা এল, এম, এস লো কোলেজদগী এল এল, বি অমস্তুং ১৯৮০ দা কুরুক্ষেত্র য়ুনিভর্সিটিদগী এল এল, এম মথঙ মথঙ পাস তৌখি।

১৯৬৯ দগী হৌনা স্কুল ওজা ১ শুং বেৱানৌগী শিনফম মথঙশিংনা ১৯৭৭ ফাওবা তৌখি। ১৯৮০ দগী ১৯৮১ ফাওবা খা-মণিপুর লো কোলেজ, ককচিংগী ইহান হানবা হৌদোকখিরবা প্রিন্সিপাল ওইরমই। হৌজিক অসি থাদোকখলগা হৌজিক উকিল ওইনা থবক তৌরি।

লৈত-লায়রগী মৈশানা চহি নোরিদৈদগী হৌনা লাংলকপনা মরম ওইখিবনা অরা-অনাগী, কম্লক য়েংথীগী অমদি অহোনবগু তুহংপীবা নৈহংপীবগী মমি তাবা রারেং শৈরেং কয়া ইবা হৌখি।

১৯৬০ দগী হৌনা ইবা হৌখিবা শৈরেং অমদি বারেং কয়ামকুম স্কুল কোলেজগী মেগ জিন অমদি অতৈ চেকোংসিংদ মথঙ মথঙ ফোংখি। ১৯৬৫-৬৭ তা 'এরেৎগী সমাজ-লক্ষ,', ১৯৭৯-৮০ দা 'ধ্যান যোগ' লাইরিকশিং মথঙ এথঙ ফোংখি। ফোংখিবা লাইরিকশিং স: [illegible] মনা মমল পীরগা শৈবংখি।

[illegible] হৌনা মানাপুরগী অমঙ চোয়রবা 'আশাংবা' [illegible] পুক্রী [illegible] [illegible] মথী লৈনবা [illegible] [illegible] ফংখি। [illegible] [illegible] লাইরেম্বদা লাইযেঙবা লৈবা [illegible] ওইনা অনানা কয়ামকুম লাইরেম্বহনা ১৯৭৫ কাওবা অনানা [illegible] সেবা [illegible]। [illegible] নেচর বুর‍্যারিং অমা ওইনা হিংলি

১৯৮৬ দগী হৌনা ককচিংদ লৈবা দিভাইন লাইফ সোসাইটিগী মেম্বর ওইনা [illegible]গী থবক [illegible] অমা ওইনা [illegible] মরমদ লৈনবা হৌখি। চহি থর শা-ঙ [illegible] [illegible] অমগী পুন্সিবু মশক থঙবা [illegible] হোৎনখি।

অইব অসি হৌজিক মশাগী চহি ৩৬ চংলকলে। হৌয়নবা সাহিত্যগী জগৎত ভুংগী আশা লৈরিবা মীশক অমনি। অইব অসিগী অরাৎপা হায়ববু সাহিত্যগী সংস্থান অমদা [illegible] কাওবদি য়াওবা উদে।

— খোমাজনজবা—

-চাওবাপু

ইডিটর লৌচিং, ককচিং (মনিপুর)

হীরক-লামায়

চিংথহৌরবী

চুসিনি খোংজোম তুরিং,
থাইদগী শেংলবা চহিগী তুরিং।
চহি য়াগজিবি লৈশাবী অমথক,
খুদাং পিকম লৈন মোমোন নোকলি।
মকা লামলব লায়খোং অম্ব'লদ,
মোমোন লৌন তুংশি কথো লাংজরি।
খোংজোম লান নিংশিং তুরিং,
য়াম্না য়াওনীংঙই খেবা চৌংগী লাইফমদ।
অঙুবু মপাং য়াওদন চীংনরে চৎলুগদব,
লৈগ চৎলুরো মথন্তু অঙুবু অঙাওবীনি কায়বীনি।
কদায় নীংথম্বগী লান। শাংদো দু লেপ্তে,
লৈপ্তে লাংগী অমত্তু, ইকাঙ হাঙই লানখল।
কনানো অম অনিদং মশেন মরাং উরি,
নোংদোন খেংনা বাংলব লৈচিল্লকত উচেকুক্কুম্না।
সুরিক পরেং শিরহুনা লৈগী দোলাই থকত.
থাঙ চুংঙায় চেৎজেংনা, কদম তৌরি শীংহুন।
কনানো থরনগু অঙ্গি ময়েক চরোং-চরোং,
লংথরকই কংলো থুভমদ নীংঙমদব বাকৈগা লোয়নন

মী পোং/ ১

তাও! মৈরবা হু মচাশা! তাও চুসিদি,
পৃথ্বী লোয়শং নৌংহুনা খোংগুল লৌরো থৈগোয়গী।
লোংলৌ ঙাইবাও তাকৌদে কনামত্ত
অহৌবু তাকৌই অমলকৃতি চিংথোকনৌ মৈতৈ চন্দ্র।
খোংজোম্ লাইথম্ চৎনৌংই অচৌবু চিংথকৌরে,
ময়ুমদসু ফম্ শেল্লহৌরবা, শিগদোরবী পলেম
পলেম মমাগী অনাবদা সেবা থং দাক্রগ,
খোংজোংনিংনক খোংদ থাংদোরকই তম্ল।
কোংগ্লোং মৌরে হুম্দোকপ চুপত্রে,
হয় হয় তারে নাকেবগী তেংথাখোং!
মুমথোং থুদিং অনাবগী অনাবা চাকত,
চৈনাখোল থাঙবগী নাকেবতন মৈশিনরে নাকোং কয়া।
করি মঙ্গোনো? পাকৃতকু অমা নাকে'রবশীবো!
লাইচৎ ওইরম্ব ফাই কুমহুগী কুমদম্বগী থুঙ্জিল।
লৌনগনবা লায়না ওইরমগত্র চিংকুবদগী
নাইতোম তাকৌরবী পুজা অসিমু ইকল-কয়া না'কেরে।
মুমদনা অনাবগী তেংথা, লমলকুতন লানগী লানবাও,
তাও অমুক্ত, লৈবাক মচা থোদাং চাওবশা!
অপোকপী পলেমগী সেবা কায়নৌংদবন,
পুঙৌ ফনেক, ইম্নকি কোংদোকচরে ফিঙোল কাদ।
অসিনীকো সুপী ওইবীগী মপোক ওস্থোক্ক তোনথ্রবী,
নীং-থা ভম্ব চুমজত্রবী ইরৈবাকী সেবাদ ইচংখোন।

খোংজোমগী লান অকনবা লানকমনি নীংতম্বগী,
পাউনা, হৈরাবা, য়াইস্কুল লাকপা চৌংলেম্নচিংবা
নোক্লু-নোক্লু থবায় কংখিবা নীংতম্বগীদমকতু,
ঙমলপগদ্রা ঐখোয়দি হংনীংই লখোয় খুদংদা।
ফরে ঙসিদি, চপ মান্নরে লাইবক ফত্তবা,
নীংতমহৌদ্রবা মৈতৈ চনুগুম্নবী লান্দগী চিংথহৌরবী।
ঐশ, নংশ, মাশু, মুপী মুপা, ইম লাম, ইথক খোংব লোইনমক,
[illegible] কৌরব। [illegible] সেনাগীদমক।
কপখো পোমা, মৈতৈশবী লাইবক থাবী.
[illegible] কাংখু লৈত্রবনি লংগীনি হায়বা।
লৈখোয়গীশু কনা লৈত্রবনি, চিংথ [illegible] হৌবী লহাক নত্তনা,
পলেমগী সেব কায়ফদে লাইরৈবাকতংগীশু হেনবিনি পলেমদি।
পলেমগীদমক শিঙবা পিরাং লেমনা থক মাঙলোয়,
লমন [illegible] লুনত লৈহৌরগদবনী মপোক খুদিং।
[illegible] লুকথবী [illegible] খোম তুরেন, [illegible] ঈচেল,
নীংথ [illegible] নোমাদ লুপলগুণি লাইজমুদ নহাক্কী।
[illegible] অংগনী থখোয় মৈত্রবক মচাশিংগী,
[illegible] রকনি [illegible] থৌবা ফান পুন্নবা লৈতনা।
য়েংউ পিরাংসে চিংথহৌরবীগী মীংশুদগী শিন্নরকলীবা,
[illegible] থাঙবশিং। পিরাংতনা ঈমায় [illegible] বংলাগী থাংগদাং।

শীংজয় মথা মহেং লৈকাই।
২৩/৪/১৯৭২

মী পোং/ ৩

মী-পোং

মোত্তাই শুদাইরবসিন
তোয়ন চাংনা কাঙোগী
কাল অসিদ হেক হেক ফমৈল।
মথন্ত লাকল'দি কুইরু কুইরু য়েংই,
শিকিখকতং পোপ থাদৈ,
অহুদগী থম্মোয় চোংকখ্রুদ,
অকিং অমা লেল্লগ,
চোংভাল্লখ্রদায়দ খযুম্লোমদ।
মী-পোং য়াঙদনা মী-পোং উংহনা,
কথারক্লি ওকথবীপিং অচগা।
লুং নীঙ শেংচিল্লগা,
চানা চাব তারবদি
মী-পোং উত্ত্রগা, অহুনা তোক্রুখোক্রুই।
অহুবু থম্মোয় চোংকমদ,
অরাংবা রেটকী ফমুংদা,
পোথাক্লদবদি থক তোক্লে।
মী-পোং থঙদে,
মী-পোং উদে,

নোংমনা ডাক্তর, নোংমনা উকিল
নোংমনা প্রোফেসার, নোংমনা ইঞ্জিনীয়ার,
কি ইন্দবী, কি কোমলবী মখোয়শিংহুগা,
শিমিন্নরুই, রামিন্নরুই, কাওমিন্নরুই।
মী-পোং উদ্রিবৈগদা,
কয়াক কয়া অশোয়বা পোংহনখি।
কোনশিনমীটৈগ্রে চেংজেংনা,
থাইনংপান কাওরাকখি।
মী-পোং থঙকংদে!
লোংবদি মায়াদ,
শকুনা চৈরমই মী-পোং খাওদন।
পুনসিংশীবাই অচাওবী অমন,
নকিসু চেংও ফুগা কৌগংলকই,
পক্না অঙু খিনংলকই রাশিদি খাওদন।
অঙুবি জাশিরফীদন,
অশিবনা নোকপবু কনানা ঊকায় পুম্নমগনি?
মী-পোং উদ্রিবৈগদ,
মী করক্ করক্ উম্মরিব,
সহরগী মীরক শমচুনা,
মকিন্থু শেংতে হাপ্পু হাপ্পু চংখি।
মতুংদগী অমন কৌরকই—
করম তৌরি? হা।

মী-পোং '৮

সুংঙাইরি, য়াম্না সুংঙাইরি।

মী-পোং উত্রিবৈসিদ কা মতম অমত্তং ?

'কৈ-কৈ' চাশিন্নি।

কুচু য়াম্না মুরবী অঙাওবী অমন,

যঙ-হাওদী পোংয়োম অমা

কোকথোং নারঙ্গন কৌরক্নি

"হাল্লো', ডা'রলিং"

মী-পোং উত্রিংঙগী খুদম অমত্তং

মখুত্তুনা উৎলকই।

য়েংলকই, অঙাওবী মফি শেংলমদে।

সহরগী মীয়ামসিদ অস ....

মী-পোং উদে হায়হনস্তু

কয়াদ শকওই খীরব

হে .... !!

অহুবু মাণ্ড মফি য়াওরমদে,

মমায় অহু খুমজিন্নী মখুৎনা

মী-পোং উদনব হোংদৈ।

"ঐ শীরবনী" অঙাওবী হাঙ্খি,

মশাগী খজ্জোয় ফাবা ঙমকৌদে।

মী-পোং উত্রিবৈদ,

অন্ন পোল্লাংগী মশক অমখক

প্রপ-প্রপ লাক্কুন

অণিবা কৈজোম খোকপহুদ চেং নৗর।
ওস্তাকইদ হে ওক্তবা য়ু থকপা'
থংলাও ল'ওরকই অহুবু শাখিনা ক্ষুবিরমই
ড়াগুখি, ঈন মকোক অহু ছুংপং জাখি।
ছুহাক লৈরগা মথং-মথং,
শরু পোলাংগৗ মৗ-পোং কয়ান,
মফম অহু ছুরং ছুরং তিলখি।
ছুকপা ছুমকৌদে,
য়ু গ্ম স অমগ্লীদমক,
মকোক অকায়বহু জ্বম্বোকলমগা,
অর'ম য়ু খোলাদ,
মৗ-পোং উদনব রাখলদ,
য়ু থকমিয়রুই মাগুম্বশীংহুগ।
পোংলোয়ফমদগৗম্ব কুফমদগৗম্ব
ৈমন ঈগুম ছাংন চাকলকপা তাঙ্গাদ,
ফুক হেক হৌগংছুনা মচংখি।
পুক লামলে, পুক লামলে,
চেং খিতু, চেং খিতু,
চাকনৗবা নং কয়াদ বারবা!
সে নয়া পৈশা অমা,
চৈগু উংলকই, চাকনৗব চেনখি।
মৗ-পাং উহোদে, থছহৌদে।

মী-পোং কনাগুম হেংদনা,
চাগা থম শাংগদ্রিবা,
মহাকবি হেক্সা চঞ্চলকরি,
কেক্সু কমথরৈ, মেংলমলগ চংখি।
"ভালো-ভালে" অতিম্বা অসি,
... ইংমজং ... তৌরি।
মী-পোং ভারিতৈদা যান লাক্তখিব।
চৈগু অমা পায়রগা অশিব হকুবী অমা,
অশুকপা চিংথক্কুগী ... য়াম্বমক্তুদা
চপ চপ শায়ফনা লেপলম্মী।
ৱাশী মাঙদব খুংগোকচুদা
উৎকতগী খোংনাং শত্তবা মযাং ...,
মাংশিনবীরমক্ত কাংখৎলিব মথম্না ...।
মী-পোং কনাগু উখিদে —
খুবাক খুখিবগী মখোন্দি
নাকোং অসি "ঘড" ... শিনখি।
খোংবানলাই চবান থাদোকখিবগী,
কবোক অফাবা থম
লম্মেলগী খোঙ্কুল মরকত,
তুইগী অমাং অশোয় মনাকত,
তারিঙ্কুদা মীং কুপ্তুন য়োংই -
মী-পোং উস্রিত্তৈদ কংকোরোইদগুম,

ভাপ, ২ভাপ খুনগংলগ চাশিল্লী।
অহানগী—
মী-পোং উক্রিদৈন বানে শাবা,
উরোকথোং অহু লাম্পোক্রগ
কোটেল অহুদ চঙখি।
শঙ্ক পোল্লাংগী হকচাং,
অগোয় শাক্লক, হ্যাশ থ'লাদ
ঐমকচ্ছ শিজপ্পগে,
গঙ্গা ছাণ্ডক অশি ভুম্বগ,
ছাইবং বাংমদা মী-পোং লৈশব মকমদ,
টভোমত, নুংছাইন কন' যাওদবমখৈ।
নুংশিরবী মীনায়গী বাশ লৈশী
কয়াদ নুংশিক্রব কয়াদ ঙঙ্গাংগ্রব,
য়ুমদ হন্নরোয় নঙ ঐগী যোংকমনি।
"হুম" য়াদে,
ঐদি মী পোং কনাগীমু নত্তে,
ঐদি তীলনি, "কৌছেং-কোছেং"
হে! মপোক কন্তবী,
সে লাক্কুম লাও, ঁফিপামম্মসি,
অরাম খোরাংবহুম কোকহল্লু।
হীকুন মকোক অত পুমচো চৌই,
মী-পোং উক্রিদৈন কোক অসিদ,

কদায়দগী হীক্‌ শিংনো, ইস ···· ····
কনাগু তায়মদোয়, খল্লুই,—
তিল্লিখ মীয়াম অহু মী-পোং য়াওদে,
"অস" মকোক পায়শিল্লুন থাওখি।
ঐ আহংবনী! ঐ অহিংবনী!
মী-পোং কনাম্ব নৈতে ইখঙনি।
হবায় সেন্দল তোংকৈ চুসিদি,
মী-পোং উত্রিষ্টৈ ফুরিং মতং লিংলিংতৈদা
চানা কাপ্তৌ চাংকমদা।
চুসিদি শেন থর য়াওরি,
থর নাম মী-পোং য়াওদন,
য়ম—বিষ্ণিগী হোটেনদ
টিুস চয়া অমতং
অহিং অমতং মী-পোং খঙহন্দন।
নমথীরব গলী অহু কাওদোক্লগ
নৈগী কমুংদ।
অশিবা অনিগী বাখোকচ,
চৈরাপকী য়াথং পুরকখিবা,
অশিবা পুলিস মুপা অহবু,
য়াম্বমথৈ অচাওবী অহনা ফুখি।
মফি শেক্কে, কি থোংদে,
মী-পোং কনা নৈরবগু।

মীহৌবা পোক্কে, লোংনে তারিবী
অঙাওবী অহু য়েংলগ,
চৈরাপকী অঙম্ব অহুনা,
খনম নমমুই, ছুমিন্ন লৈখি।
মী-পোং কনানগু থৌরকতব,
এম্বুলেন্সকী গাড়ী অমনা,
মশা অহুবু মী-পোং নত্তবা,
মিত্রংঙুম্ন কৈরব ডাক্তর অমদ
য়েংলম্মই কুপন মতম চঙন।
মশা অহু নমখিরে.
অহুবু ডাক্তরহুন হিংহন্নীংবদগী
ষ্টেটস্কোপ থাই, ইনজেকসন কাপই।
মশাগী কমুংদা, মী-পোং কনাগী
মত্তেঃ লোজন থাংগৎলী, হিপহল্লী,
মচিন্ন মচন্দ নীংশা কামশিল্লি
মতম হেল্লে; ইন্দোরকই।
ইঞ্জিনীয়ার বাবু ....
শকম অহু মীহৌবন
শকক্ম অমগুং শানিংহন
লৈজব পুম্বা তিংখোকহুন
শাব হোৎনক্কই কোনখৎহুন।
মী-পোং কনাগীগু নত্তে,

মী-পোংনমু" মীহৌরুদে
লোংনা তাৱিবী মখি পেঙবী।
কা—য়োনফমদ শংক শংক.
হিংগংলকপ খুদিংগী।
কা—মতম অমগ শিন্নরুম্বিব
অঙাংওবী, কি—পেংতবী, অশিবী।
মী-পোং খণ্ডদেব লখীচন্দ,
লাইয়েংফমদ, ইঞ্জিনীয়ার সাহেবকীদ,
চাক চরা অমত্তংগী।
মীওইবগী রাখল খনদবমখৈ.
কয়াদ রাজরবা অঙাওবা অসিনা,
"ভুকচৈ "ভুকচৈ" হায়না শিরকাওবদা!

মোইরাংথেম চাওবাখম লৈরক.
তাং ১৩/১১/১৯৭৮

উমেশ হোটেলদা

অকপ অমগা ঐখোয় অনি,
ভিক্টোরিয়দ মোতি অমা মেংউবদগী,
নোং কয়া তারমহুনা উমেশ হোটেলদ চংলকই!
হোটেলগী অরাং থংবা নাকল থ্রপ থ্রপ চঙলগা,
খোঙ মচা অমা লিংশিল্লগা,
কাচিনগা কেক থংনবা,
অরাংলোমদগী অনি শুরকপা,
কা অপিশক অহুগী,
ফাল অমা থারম্বা অহুদা,
মায় অরাং ওল্লগা কংথৈ।
'চা অনি' পুরকই,
থারপ ভৌক চিনি য়ামদে,
ঐখোয় অনি থকপা হৌই।
থল্লকই ঐখোয়না ডসাই কম্পুব',
ভিক্টোরি মনীংগী নেপালী হোটেল
নোং থুম্ম্‌বনি ডায়হাঙং,
মকমহুগী য়ুগী মনম,
সি, আর, পি থর থকলমই
ডাওরমই য়াম্না লাঙলমই।

মীংপোং/১০

মশা কবী মৌ নখা অহু'ক্পা,
ঐখোয় ভনিবু করি চাগনী হংলকই,
মরূপচুনা খুমই "চানবা করি লৈ ?"
"চানবদি করিগু লৈত্তে বাবু,
য়েনশা পীশক পীকপা অমদা,
ঙুপা য়ামদে অছুনা ঙমদ্রে।"
'করে' হায়রুনা ঐখোয়গী ভুমিম লৈখি।
ঙায়হাকতং পুংখায়মুক কমলীতৈদ,
ময়াং, মৈতৈ, পাখং মচা শঙ্গু-শঙ্গ,
চঙলকলগা হংলৈ, "খর থকে, খর চাগে"
'অতিংবা' 'অশাবা' অঙুম্বা খঙলৈ।
ঐখোয় অনি অহুম ভুমিম লৈ,
য়া-লান করিগু ঙাংদে মপান্দুদা
চৌকি অমমমদা ভুম্বক ভুম্বক।
চিংনরমায়ে ঐখোয়শিবু
সি, আই, ডি ওইরমায়ে হায়না,
শাকবী, থাকনবী মৌ নহা অছুনা
মরক মরক্ত লোম্না-লোম্না
কেক কেক য়েংঙকপগুম তৌখি।
ঙায়হাক লৈরগা মশা করবা
অঙাং অমা পমলগা চু-চু পীথকই।
ঐখোয় অনি মায় লৈখোকলগ,

ভারিবা নোংবু মুংঙাইভন লৈ।
নেপালী মোচু ঊরাংগী ঈথক লৈবঙ্গুব ডাই,
ঐখোয় অনিগু মরক মরক্ত,
মাবু য়েংই মীংমেংকম ওইনা।
চুরুট অমা চমচুনা থকপা হোই
নেপালী মো নকাচুনা।
মকাকনা চিংনবচু ঐ থঙলে—
অচুনা হায়খি—"চুমুতপী নোং থুম্লনী,
ঐখোয় অনিবু লায় থনগঞ্জু"।
উমেশত অম্বুম্বা নোং থুপলীদৈ
অঙাওবী মো নহা অমা—
পোং ময়োম ময়াম অমা—
হোটেল নোংপোক থংবা কাল মথকত
থমলগা মমায় মনীং ওন্দুনা,
ফকলাংদ ঙারগা লেপ্পা ডাই,
তুমিন্ন লৈ মমিং অচু কোয়না য়েংই।
রাম্বা লৌশিং তান
লুরব রাকম অমা থনবঙ্গম ভৌই।
ঐন মাবু শংব্রিক য়েংই
মান থম্বীবসি করিনো থঙনীংঙুন।
ঐগু মাগী মায়খোঙচু য়েংলগ,
রাথলগী ঊচেল অমদ তাওথরম্মী।

মীকুপ থরদং চেন্থক্করব ভুংদা—
কপুরচান্দ কৌবা মরুপ অমা
চঞ্চলক্লগ ঐখোয় অনিবু থুং শোক্লে।
মান অমুক চা কৌহুনা থকত্লিনরে,
মাগী কারবারগী রাকম হোদোক্লরে।
মান শেন তানবগী হীরমদা,
হৈ শিংবগী রাকম কয়া পন্দুনা চাউরৈ
ঐগী মরুপ অহনগু রাকম অহুগা,
মরি লৈননা পল্লকই—
"first, money is in the hands of
businessman,
Second, in the hands of kings".
ঐনা চুমই হায়হুনা নোংপোকলোমদা য়েংউবদা
ভসাইগী অঙাওবীহ অহুম্মক লেপ্পু্ন, লৈরমই।
হোটেলগী মনুংদা চারিবা থকলীব
মীয়াম অহুদা য়েংহুনা লৈ,
অঙাওবী মান্দে মাগী মীংয়েংহু
অহুবু পোংয়োম অমদি কিজেং,
মকোক্কী কোকশেং অসিনচিংবা,
মহাক ভশেংনা অঙাওবীনী।
মাগী হেক মমাংদা—
কলা অমদি সাহিত্যদা লুপচবা

ঐনা মশক থঙবা নহারোল থর উই।
সিগরেট পুথোকচুন অমগ অমগ
মথং-মথং লান্নচুন থকপা হৌই।
মখোয় ময়াম করিগুম্ব হীরম অমদা
রাখল চপ লান্নবনী রাগী শাহুনা
র-বা নোকমীন্নৈ মরক মরক্কা।
সাহিত্যদা য়াম্না শবায় যাওবা,
নহা অমনা সিগরেট মচৈ অমতং
পুথোক্লগ অঙাওবী অহুদ পী।
মহু লৌরগ' অঙাওবী অচন.,
য়াম্না হাওনা থকপা হৌই।
ময়াম অচুনা মাবু নুংশীবীব অহুদা
মাশু মরী লৈনদব রা থর
জবেঙ জবেঙ ঙাওবা ভাখি।
মান রা ঙাঙন ঙাঙন
মকি মরোল শেমজিল খোংচিল্লি।
মাগী শনেক্ক কুপশীনবা,
চৌরব ফাইগল, থবাক অহু,
লৈশাবী মচানা কি ইনবদৌনা,
হাত দাক কাইজিন ভৌহনা শেম শাই।
মাগী রাখলদা কনাদ রাখল ভৌহনা
মুংঙাইহল্লিবনো কায়বহুদি থঙবা ঙমদে।

ইনাক্ত লাঙলম্বা মযাঙ পাখঙশিং,
মরি মরি খোকখিহুনা থর চীকলে।
অঙাওবীগী মনাক্ত ফমলীব। কলাকারশিং
মখোয়গী বারী শাম্নবা খোঙেল,
হোটেলদ ফমলীব মী-শিংগী চনিল,
মতক মরক্তা অচা অথক লৈম্নী
গ্লাস মখোল ক্রিক ক্রিক অসি নত্তন
অইত কমিশ্ন তাদে অচুপা উশু উদে ;
এনা খন্তরুষ্ট অঙাওবী অদু অঙাওবীরা?
মান ঙাওনদি —
ঙাওবন লৈরবা মচ কত ফমলীবা, লৈ লৈব,
এখোয় মযাম হোটেলদ লৈরগ
অসিনা ঙাওবন কাম্বক্ত ফইগনি হৈরা?
অঙাওবগা ঙাওদবগা খদিদ খেন্নবা
চপ মান্নব-মাঙ্গু থকনিংই, চানিংই
মীগা লোয়ননবীংই, বাদি শানিংই
অরাব মশক থদই স্লাংগাইন পায়ই,
নীংথম্বা কাওক অশাবা পোকনি থদই।
অঙাওবী অদু কবিদগী লৈম্লবনো
আনন্দম্ব লাইরেম্বা য়াদ্রবা,
মিংচৎ অসিন মপুমিসগী শকক শঙ
এগী বাখলনা মথং-মথং উরকই

মাগী চাকম, তুমকম, মশক খঙনীংলকই
মাগী মরমদা ঐনা খরদং খল্লে হায়বাস,
মতাক খঙই অঙনবনি চেক চেক থেংঙকইবা।
ঐ মাবু করিগুম্ব খন্ন পীজনিংবনি
অদুবু ঐ ঙমদ্রে তাইরঙ মী ওইরুবনা।
শম শাংল খাকপা নহারোল খঙ্খ
মশং-মথং চঙলকই মাবু [illegible],
[illegible] [illegible] অদাওবী অঙুপী,
চেক মমাংমকী কানঙদা কনখরগা,
তচা [illegible] তাল্লগা চাবা কৌথি।
মাপু [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] শক কক্তবী অদো,
[illegible] [illegible] কায়গং[illegible],
[illegible] [illegible] নাব থকপাদুদা।
[illegible] ঢেক্ক চেক [illegible] [illegible] থেংডুদে,
[illegible] [illegible] মাদু [illegible] মাগী পুক্সিগী,
করিগুম্ব খরন [illegible] চুম্বা থেংবনি।
[illegible] মাগ করিদ খেঙ্গরিবা
[illegible] মখুংদ কমলিবা ঐখোয়গা?
[illegible] [illegible] [illegible] থাখঙ অনি [illegible] কই,
[illegible] [illegible] থেংঙমক হাইকো-হাইকোং
অদুবু [illegible] [illegible] কুরেক মশমগুদা।

মী পোং/১৯

ঐনা অমুক অমুক লৌশিং লাকপদ
কপুরনা কারবার তৌবগী বারী শারমই ।
ঐগী মরূপ কিলোজোকী হৈবহনা,
উম উম হায়না তাবগা লোয়ননা,
মরক মরক্ত বেক্কতগী লোন লৌবগী
ফজরবা পন্দুপ অমা চৎখরমই ।
পুং অনিরোম লোং থুপখি উমেশজা,
অঙাওবা অঙাওবী ময়ামগী মরক্তা ।
ঐগু ঐগী মরূপগু ঙাইহাক ঙাওখি—
মখল মখেলগী বারী হৌদোক্লহন।।
ময়াম্না খঙনরবা অঙাওবা মীদি,
লেপলিবী অঙাওবী শকখঙদবী মথন্তুনি।
য়া কনানো ঐ খঙনীংখি
অহনা মান হেক থোকপগ ঐনা,
মরূপ অনিমক্ত থোকলসী হায়হনা
ঈঙ্গিং পীরুই অহুম থোরকখি।
অঙাওবী অহনা চৎখিবা মায়কৈ
খঙহৌদনা পরপ পরপ তাম্নরকখি।
অরাবনি খঙহোম্রে কদোমদ চৎখিব,
উহোম্রে নোংমরকত অঙাওবী মাঙখরে
মঙম থেঙখিবনা নোং হাংত্রবগু
উমেশ হোটেল থোঙ লোনত্রে।

ঐখোয় অনিবু 'গুদনাইদ' তৌরম্লগা

কপূরচান্দগী চংত্রে।

পুং ১০ রে'ম তারে মুমিদাংগী—

ঐখোয় অনি লেপ্তুনা ভিক্টোরিয় মনাক্ত

অমুক হান্নী শাশা হৌরে কৌশিবা পুক্নিংগী।

গুসাইগী অঙাওবী শঙ-শঙ উরক্লে

উমেশ হোটেলদা ময়াম মনক্ত।

ঙাইহাকতং শক উংলম্বী অঙাওবী

লৈখোম মরকত শাংপী থরোগুম্বী

মশাদ ঈরাং পকলিবী, লৈনম কোকত্রিবী,

অঙাংবী চপ লেপ্লম্বী মাগী পুক্সি।

মান কৰি থনবা, মান করি ঙাঙবা,

তাইবংপানগী লম্বীসিদা মান চংলিবা,

করিদা পুংঙাইরিবা মাগী অপাম্বনা করি।

পুম্মক অসি মীং ময়াম অসিনা

মথং-মথং য়েংনহুনা থুং-শা থেক্লুনা

উংলীবা তাইবংপানগী খোঙচংপু

মশাং থীবা নত্রা'?

অওইবরা ওইদবরা ৱারীতনা থনবা,

উমেশ হোটেল তাইবংপান অমনি।

মথল মথেনগী তাইবংতনা "হ'-হা"

চাগদবগী থক্কদবগী নীল থোংলমলগ —

অহিঙ তাংলো খেঙলুরগ মাগী-মাগী মযুমদ।
সহরগী অখেঙবা অহিঙদা নোং মরক্ক,
অঙাওবী অচুনা করম্বা লেম্নঘনগনী ?
মান য়েংঙম্বা মীংয়েং, মাগী খোরাংবা হাখল
মচীন্দা মুকম মুকম শোম্বা—
ঙাওদবা হোটেলগী মচুংদা কমলীবশিংগা
ফম্নিদ খেমবা করিদা মামদবা ?
কায়বা ঙমদে তশেংনমক হোটেলচুদা
মপাল খোরকলগদি মুমদ
থরদং থঙবদি ঙমশি
মকম মরাঙ থঙত্রবী
মাবু চিংন চিংন য়েংলমলগ
চংনখিব মীয়াম অতু নীংশিংলুরগ।

শীংজৈম মখা মহেং লৈকায় ।
তাং ৯/১২/১৯৭০

ৱারকী ওৱাল

নুমিৎনা চৈংথা লেঙোংবা
তাইবং মশিন থানরে।
সন্ধ্যা রাত্রি লেপ্লরে
চোঙানা মপোৎ লোইশিল্লে।
নোংজু থাগী মতম ওই
লৈরক লেখোম খোকখরে।
সনগোন কাঙৈ থারকলে,
খুনগং মৈথু থুখরে।
[illegible]না খোংবান খনখরে
ঈচাওনা তোর্বান মৈরকলে।
মোরোক কৈদোম থুমহংলে,
খুনগং মৈথু থুখরে।
লৌরি কৈদোম পাখরে,
লাংগোন মোংলম ঈরীরে।
লৌবুক থরোই লোংখরে,
রাইমু চেক্লা পাইদরে।
মনবী মমাও শাঙ্গিগুপলে,
কাঙমৈ নাকা কুনখরে।

শ্রী পোং/২: ..

অমগুবা নোংনা শীনখগে
গুকপূ গুনা মমখরে !
লৈরাং মায়খোং খুমখরে
খোইমু খোইরেল ইন্দরে।
অহিংসী থাখল তৌখ্রে,
ভাইবঙ ভুমিন্ন লৈখরে।
মনবোই যম্নাও লমহেন্দ্রে,
কৈখেন কুম্বী ভুংইরে।
কাণ্ডমৈ মনম নমলক্লে
মুংদাং চাকলেন লোইখরে
বারকন্তা ভয়াল শাংলক্লে,
উশাদা মণি থামখরে।
লৌমীনা শজিক ওল্লুরে
লৈরাং ভয়াল য়েংলক্লে।
লৈরাং শক্তম উরক্লে
কয়া যাম্ন কজরে।
লৈরাং লৈশক ছুচুংলে,
লৈরাং হেকপা চঙখরে।
লৈরাং নাক্তা লেপখরে
শংত্রিক য়েংহনা লৈখরে।
চীনবান কাংবম্ভু শুমদরে
লৈনম রাওব্রা য়েংনীংলে।

হেককে নীংন ঙিংথোকলে,
লৈরাং থাপ্প চৎথরে।
          ইচক চক্কা লেপহৌরে
          মঙন মঙন থনথরে।
লৈরাং তুংবু ঈনথরে
মরা হংগে তেমশীংলে
          চয়াল মায়থোং উংলকলে
          কেকু লোৎপী শায়রে।
মতম রাম্মা হৌথরে
লৈরাং হেকপ চমপরে।
          লৈরাং মাবু মীকৌরে.
          শীচেল শীঙদা চয়ীংলে।
লৈরাং থোংগুন লীক্করে
পাম্মু রাথল তৌক্করে।
          কংবা চয়ী থাজদরে!
          লৈরাং শুম্না হেনথরে।
নোংজুথাগী লৈরাংও!
করিগী অহুক থোয়রবগে?
          লৈরাং লৈহী চুপনীংব,
          অথুম্বা মরেক্ক হাথরে।
নোংজু পাম্বা য়ৌরকলে,
রায়কতা চয়াল শাংলনি।

মী-পোৎ/২৫

খোইমু খোইরেল ইরমী,
পম্বো কোরৌ লোংমনী ।
মশাবী খুংলাং য়ৌরকলে,
থাওমৈমী মৈথুনা পৈরে ।
বারকন্তা ভয়াল শাংকোয়রে,
উরকন্না মনি থামথরে ।

ইরেংবম শাবল লৈকায়,
তাং ৩/৭/১৯৬৪

মী-প্যোং/২৩

মৈতৈ লৈমা

মতম নত্তে শাংত্রিব,
কোরৌ মঙাল ঙাইরিব,
অপোম্বা লৈরাং থম্বালগুম,
মৈতৈ লৈমনা লোংলুরে।

কোরৌ নশেক কঙবা,
লৈচিলগী কৈজুপ শুপ্পগুম,
মৈতৈ খোৌদাং অকনব,
অকাউব ঈরৈদ লুপলুরে।

মঙাঙ চাবা ঙাইহুন,
উনবী থম্মোয় হূনিংব,
মৈতৈ পাখঙ লৈশাবী,
মোমোন তৌরে খৌরাংলা।

অশি লাইয়েক ওইরম্বা
মৈতৈ মায়খোং চিনবান্দা
কাঙবা হৌরে কল্পনা
ভাবা ঙমদে মুংশিনা।

খোইজি লৈকাং চুরম্বা,
মৈতৈ পলেম চবৈদো,
চক্ক উতি লাকশিল্লে,
মখী ভাগে কংহল্লি।

মী·পোং/২৭

হজোই খোংলে ঈভারে,
লানবাও চেন্নে নোংথক্লা,
মোইবুং খোংলে খুনগংনা
পোংযাক শেংলি ইক্ষালনা।

লোইবী মাপন মচুমনা,
মৈ'ত ভুম্পাক ঈংনরি
ভমগী শৈশক ভাবদা
পামগী পোথোক হেনগংলি।

কাণ্ডবু মণু ওইনীংবা,
ইগাগী মিংচং থীজনবা,
নপচ ভাংঞ্জ কৈবশি ঃ
মশক খণ্ডলে ফোংনম্রি।

ইরেংবন শাব। লৈকায়।
ভাং ২৮/১০/১৯৬৬

নোকমি-নোকমি

নোকমি নোকমি
মোমোন মোমোন,
নোম নোম হাইনা,
চৎলী লম্বেলদা,
যালেমগী তাইবংনা।
মীয়ামগী থোরাংদা,
সুন্নাইগী ঈবাংদা,
মশাবু লুপশিল্লী,
অতোপ্পবু উশিত্তে,
নোকমি নোকমি।
নুংশানবী খবাক,
লৈতেংগী চেকশম
অমকপা পুকচেল
মুপীগী হৌনশা
নোকমি নোকমি।
হাতোনগী খোঙ্জেল
কুম্মেগী শুমাং,
শাখঙগী পালা,
নমথাক্কী কোরৌ তাল,
নোকমি নোকমি।

চৎনবীদা তাওরি,
অকৈদাগী হয়েং,
ফজবদি চুসি,
অরানবু থাজ্রে
নোকমি নোকমি।
লীক লীক লাওবা,
কোঙ্গেংগী মতোঙ,
শাওবাং শাওবাং
অচুম চুমদ,
নোকমি নোকমি।
তাংতোবনা কাম্রি,
লৈগীদমক কপলী,
ওইজবা থিরি
অশিবনা ভুংইল্লি,
নোকমি নোকমি।
য়েংনৈ কল্লক্লা,
থাজে মীনম্বা,
শোন্নে ফজব,
হয়েং হংচিং,
নোকমি নোকমি।

ইরেংবম শাবল লৈকায়।
তাং ১/১১/১৯৬৬

লম্মুক্রি কদোমদনো ?

মী.সা কাংবুন খৌংজিম্নরি,
মী কাংলু মী হাংলু লাওহ্না,
হাংলিবদি মঙ্গানি শিরিবন মশানি,
ত'মুক্কারি মী.শ শাওবু কদোমদনো অহিংসা
শিশনি খচ্চন পুংশিংদে,
খংনরি মীপাংগো রেম্নবক,
ঐগী নস্তু খচ্চং। জৌনীংক,
লম্মুকার মীংচাং কদোমদনো শান ?
কাওনা চাবনা সংগাংকী,
শাওশনা চাবন কগাংকী,
কনাস্তু রাংতে অখোয়বস্তু নৈতে.
লম্মুকনরি মিংচং কদোমদনো শীচং ?
রেংখিনরি ফুক্কশ মশেল,
অপিকপা মিগুলনা কাঙ্কবগ,
খুক্কুম শীংলী লাওহ্না.
লম্মুকংরি লাম্মীশিং কদোমদনো দুংশিবা :
লাক্কুরি মীকোক শাংনবা,
অকনবনা অচুস্বা শঙ্কুনা,
অরানবনা অকনবা ওকচুনা,

লম্মুক্রুরি অথৌবা কদোম্দনো অশোনবা ?
শেঙ্গাও পায়বনা চেরি।
শুনীংদব লায়রবগী মরাপনি,
ঈনাক খুনবগী শেম্দোংদি লায়রবনি,
লম্মুক্রুরি শেম্দোংনীংবা কদোম্দনো লৈতবা ?
ঈপোং মূনখিবা থৌক্রুবা
লবথাক চৌবনি লৈ[illegible]ই—
পুকচেল চাঙবা লাম্নংই—
লম্মুক্রুরি ডাকু কদোম্দনো সাধু ?
হুরাম্নীংব ঈন্দ্রগী শংক্রং,
ডাঙ্গা যেংই হুরাম্নীংবনা,
কোংদোকতে গঙ্গাগী অরানবা,
লম্মুক্রুরি মীহাৎপা কদোম্দনো সন্ত ?
মকৈদি হৈতে কনাশু
অচৌবদি ওইনীংই তমথীনা,
অতোপ্পগী মচীন যেন্নীংই।
লম্মুক্রুরি নাপল কদোম্দনো অচম্বা ?
ঈকাথদবনা হরাওবা ডম্বা
খুদোং চাবনা অকবা শকপা,
হিং হন্নবা তাইবংনি ডসিগী,
লম্মুক্রুরি মীনম্বা কদোম্দনো অচুম্বা ?
মপাল্লোংগী শক্রু ডাওনরি

ত্তাওথরি মাঙ-তাকপগী ঈচেল্লা
চীনবানখোংগী মীনোক থক কুইদে
লম্মুক্লরি অপঙবা কদোমদনো অশিঙবা?
খংনরি চৈহুনা মশাময়কপু,
কজনরি থাগৎহুনা মকিজেৎপু,
চৎনরি নাপলনা উৎ-চাইহুনা,
লম্মুক্লরি তাইবংপান কদোমদনো লাইবৈপাক?

পিশুম খোংখোঙ, ইম্ফাল
তাং ১/১০/১৯৭৪

নোংজু-ঈচাও

চাওরে ঈশিং ! নোংজুগী অহিংদা,
থাম্বা পামকদে তোর্বান খুদিংদা,
খুমখিদোরে মুমথক ভনিক ভনিক্লা
নাওরকদে ঈরাকুবগী খোল্লাওবা.
মৈতৈ লমদমগী নৈরক খুদিংদা।
মৈকৌরোন্দা তাখিব অশিবগী মিংথেং !
ঈপাক্তনা লৈতেংখিবা মৈতৈ লৈবাক,
উরুরগা অশিঙবা ঈশিং ঈচাও,
তাকুরগা ঈরাকুবশিংগী ঈরাওখোল
ওকতবা ওমদে নীংশিং নীংশিং ।
ঈরাকুহন্দুনা থাদেম শীন্থুংনা,
শিংসমু অরাবথা মীওইবমথৈ,
লাংক্রেশমু অমুক অশাম্বিগী থৈশা,
লেপক্রসমু লাওখোংবা পুথক্রসমু লাম্না,
থিংমা উবা কংথবা সমুক্রগী ও থৈদা।
ঈংক্রসমু এটোম লৈকংলাদ জুপখিহুনা,
হমক্রসমু নোংলিক ! মীচং মীথাম নাইরবা.
তোকক্রসমু নমথাক তৌবা হকচাং পোলাংদ,

মী-পোং/৩৩

মীংথাইরসন্নু চেকী কুরা লোলাব শাগৎপা য়াদনা
চাওরসন্নু ঈচাও অহিং অমুক্তা।
মোংমা চুত্ত্রগা ঈচাওনা ঈভাপ্রগা
লৈরসন্নু অচুম্বা অমানবগী মহুৎতা,
খোল্লসন্নু থুবকব মীংথায়বগী মহুৎতা,
শাগৎলসন্নু অনৌবা থুম অচুম্বা মালেমদা,
চাওরসন্নু ঈশিং! অকবনা কণবগী মহুৎ শিন্নবা।

ইবেংবম শাবদ লৈকায়
তাং ৪।৮।১৯৬৬

মমশিল্লক্লে

মমক্নে নোংদোম অমত্তবা নোংম,
থওনম্নে মশক অমানবা লৈত্তাকনা।
শা'গ্রা অশোয় চাওখৎপগী খুৎম,
ময়েশি'ংক্নে নাকোং তাংবী পুংলোম।
অকায়বনক্নে এথোয় মীনায় ওইবনা,
কাওনক্নে থৌগল্লোন লোয়শং লী'দবন।
পাইরে কিরাদ মুশুক মুনা
তাক্নে মায়থোং মৈতৈ ওইন।
কাওনরে মায়চৌ নোংচুপকী লাংবা,
চাওখোকক্নে লৈচং মীতোপকী ওইন।
পোকনকক্নে অথৌবা অমানবা শাজৎনা,
চাওখৎলে মপাঙ্গোং উরুদবনা মনুংগী।
মীং তমহক্নে ইমাবু ওজবা মচানা,
লোংক্নে মণি থিথিবা লৈতনা।
তোংক্নে থবক অশোয়বা নহানা,
লেপক্নে মথৌ মপুক থল্লবনা।
তাৎক্নে মৈতৈ লুংশিবা লৈতনা,
কপক্নে থম অশোয়কপা থোয়দনা।

মী-পোং/৩৫

হাংব্রে থম্মোয় অয়ানবা চৎনবা.
শকক্রে য়াশক অচাওবদ কানবা।
ওনথরে শকক্তম হযোক তৈদুনা.
য়াবে তাইবঙ মৈত্রবাক্কী ফুম্বনা।
লৈশ্রে চুমিন তৌকয় থঙদনা
কপলে অমুক মথা চীকনা।
খৌশাক্রে তাবোল চৌংগী মীনা.
হাইবকলে থাঙশাং অমগী মীনা।
যমক্রে মোংদোন অমঙবা লোংবা.
থঙনক্রে মশক অয়ানবা লৈতাকনা

কৈশামবোং লোকতম লৈরক
তাং ১।০।১৯৬৪

ময়মনসিংগী সহর

য়েংউ, অতোগা ঐশু য়েংগে—
পৌগক্লোন থাওদবা থাইগা কোয়বা,
অনাংবা ইরাও-রাওবা লোল •শিং।
উরিবসিংসে সহর অসিগী ডাক্সীন
ময়মনসিংগী মুংশিংকা চনববা
ঈরাং লাগী ডোগায়তনা নিমবা সহর।
আঃ অদুবু খবাবনি,
অরাম্ম মতমগী ফিক্কবাক্তা,
খনাংনা কি তোমিবা মুপাশিংসে,
১০াম নাইত্রবা সমুদ্রগী তোর্বান য়েংদুনা
মকম অদুমক্তদা থুংনবা হোৎনরি।
লৈশা থারগা কনা-কনা
খোঙবু ওইকদৌরিবা অসিনা
ঐভোন্দ কৌরকই ঐগী মিং পন্দুনা
অদুবু ঐগা মান্নবা ঐগী মিংগুম্বা
কোটি কোটিনি।
ঐ হায়বা ঙমদ্রে, ঐ কনানো?
অদুগা মিং অসিবু অচুম্বা ওইরমগদ্রা?

মী পো।••

মসিগীদমক্তি মসিগীদমক
দোলান কয়া কয়া শাগ্রিবা, শাগৎলিবা,
অমসুং শারকদৌরিবা।
দোলান অমদগী অমদ ঐগী মিং,
মাগী মিং নপুুনা খেৎলীবা,
মতমচুগী লম্বী চৎপা খুদিংমক্তা
ঙাইহাক ঙাইহাক লেপ্লগা পারগনি।
লাইরিক ইবা সুপা অহুনদি
মকোক মমৈ ওয়না
ময়েকশিং অচু পারকই কয়া কয়া।
পুম্নমক য়াই মাগীসি অচুম্বনি,
উরিব দোলানশিংশু সহরাশগীনি।
মীগীশু নত্তে লাইগীশু নত্তে মপু নৈত্তে
লুরাওবা সহরশিগী মতমগী ইতিহাসনা,
লেৎদ্রবা প্রমান কয়া পীরি
মচুদি মসি সংরসিগীনি
মিং ময়ামসিশু লাইরিক ইবসিগীনি।

পিশুমখোংখোঙ, ইম্ফাল,
১/৪/১৯৭৫

মৈ:পাং/৩৮

নিংঙমলক্লেব

নিংঙমদে পুন্সি অন্থম খোক্নি.
কদায়দা চৎক্লে অঙাংগী পুন্সি।
চৎলুরে নোংমগী অয়ুক্তা,
তুমিন্না লৈরম্মী থুনগংগী মরুপশিং।
ঙসিদি চাওরে পাখঙ কারে,
ঐবু হোৌবীরে শান্নকসি হায়দুনা।
হীগুনা লৈরমলি থুনগংগী লমপাক,
ঙাইহনা লৈরমলি থায়নচৈগী তিংগোই।
ঐনা ইত্তোমতমক চঙশিন্দুনা কম্মই,
খঙ্গোয়না কৌরমই থায়নগী মরুপশিং।
নুংশীকৈ ঐনা থুনগংগী থুরা, মামা,
অদুবু ঙসিদি তরাম তন্নাম তোৌবীরে।
নীংলুদে পুন্সি অন্থম খোক্নি,
কদায়দা চৎক্লে অঙাংগী পুন্সি।
থুনগংবু য়োকপী থুন্নবী তুরেন,
ঙসিগী অয়ুক্তা ঐবু কপহল্লে।
মরোলদি খোক্কে খঙ্গোয়দি ঈরা হৌ
ঈথক হৌদুনা নুংঙাইবা কো'দোকলি।

মী-.পাঃ/৩৯

ছুম্মা লেপলম্ব থুনগংগী উপাল
ঐহাক লাকপদা মথুং হাইরি।
কৈরোয় লৈকায়গী লমজাও কোম্থোং,
ঙসিশু অহুম লেপ্তুনা লৈরমলি।
চেন্দুনা শাম্নখিব লৈরক লাংথোং,
ঐহাক্কা কাওনখ্রি ঙসি কানবা।
কয়াদ নৈনা মুংশিনা নৌঙজবা,
ইমাঙদ তরিবা ঐগী থুনগং।
মুংশিরি ঙসিশু ঐগী থম্মোয়না,
থুম্লকী শককন্থু উব ফংবদ।
নিংঙমদে পুন্সি অশুম থোক্কনি
কপলে ঐহাক ঙসিগী অয়ুক্ত।
রাওত্রে পুন্সি অঙাং ওইদবন,
মুংশিনত্রে কংশু অহন ওইবন।
লেপলি মহৌশাদি ইথিং থিংনা,
চপ মান্নে মসাংইন্দু ঙসিগ।
কত্তুদ মীওইব পুকচেল শেংদবা,
মহৌশাগী মাঙদ ঈকায়বব খঙদে।
কপলে ঐদি কৌথিব পুন্সিগী,
নিংঙমদে পুন্সি অশুম থোক্কনি।

ইরেংবন শাবন লৈকায়,
তাং ৩/১০/১৯৭৮

থোরী য়ান্দুন শিবা

লো'মা শুমিৎ চপ য়ুংবগী তাঙ্খাদা
মীয়াম তিনব মফম অমা থেংনরমই।
ওয়াক অকুবা থবক অমগী চংপনি,
অচুবু মপা অঙ্গ য়ৌবদ লেপখি,
ব'রিগী মীতিংনো থঙনিংনে হংখি।
মীগী ঐখোয়ুংদা থোরী য়ান্দুনা শিরম্ব
লৈকায়চুন য় ম্ব লুংশিদবা মীতোপ অমগী
মফম চাদনা থোরী য়ান্দুনা শিবগী ওইরমই।
জপান, ইটালী, অমদি জর্মনচিংব
চাওথোং চাওখংলব লৈবাকশিং অ'সদদি
মীগী ইংখোয়ুংদে থোরী থক য়াম্নদে।
অরাং লৈবাকসু পাকিস্তানগী হারৌ থর
ঐখোয় মনিংগী লুখাককোমদ চোংথনুনা শিরখি।
অসোই অযুকসু মীরৈবাকী হয়িং থর
থক্লোয় কাচিনগী মিরাংদ থোরী য়াম্নখি।

শীংজৈম মথা মথেং লৈকাম,
তাং ৩০/৮/১৯৭২।

মী-পোং/৪১

হাইগৎলাংদা হায়রো

য়েংহুন নৈদো শরুক্তি—
কৈদৌগে, অমুক্তদি লোখোকপিয়ু
অমুক্তদি লোখোকপিয়ু হাইগৎলাংসিদনী।
ঐ রাংরে, থাম্না রাংরে
শা ফাংনব শাকলিব লাংসিদ
করে ইকোক ওয়োকপমখৈ
কৈদৌরৈ ফাওবা ?
কৈদৌরে থংলহুন নৈরবদি—
হাইগৎলাং মপু যাম্নরবরা ?
মপু ওহুন মপু শাবা
ঐবু ফংনিংলিব লংথায় মরাম
থংলহুন অদুম্বক নৈরগদ্রা ?
করে কৌঙ্গাক থাম্না করে.
ঐঙুংন মাম্নু অতোপ্পনী লাংদ
মখৈ মকোক ওয়োক্কুন শিরব !
ঐখু মাগী হাকচংলোংনদ অশুম্বক
ঐ মাগী হাইগৎলাংসিদ
লংথন ঐনী হাইগৎলাংহুদ
অকন অকোক্তনি ঐ হাল্লম্মগে।

শীংঙৈম মথা ময়েং নৈকাম্ব,
তাং ৭/৭/১৯৭২

চাবান থাবা

খরোম লাকপ চাবান থাব
লাইরম তিরম খঙব খুনক মাইবা
    নারব মতমদনি অনাব মীগী।
পুকলি শুবা মাইবা অহল
লাইমু তানব দাক্তর নবা
    নারব মতমদনি অনাব মীগী।
চাওখৎলব লৈপাক্কী পুম্নাগী লমায়দ
পোংশেম সুংশেমগী লাইবা [illegible]
    নারব মতমদনি অনাব মীগী।
চাওখৎলব মতম্সিগী মৈত্রপাক্কী মাইবা
অহনবা কারদা তোংহন তোংহন্দুনা
    চাবান থাদোকনরি অনাবা মীগী।
ইকুই কুইত্রৈঙদ চাবান মাকনা অহুম,
অমম্বদ চন লাই শারগা চঙলকপদগী
    মুম্বুগী হুইনা চিক্কুনা চৈরাপ য়ৌনখি।

শীংজমৈ মথা মহেং লৈকায়,
তাং ৯/৭/১৯৭২

লৈ তাম্নদৈমক

লৈরুকই চারু অমথক
নোংম কৈথেনদগী
অা লম্বী মচাদ
কম্লিবী পোংয়োনবীদগী।
১মল য়ামই,
লৈশক লৈচু খঙদে
পামমনবদগী কৈরুকপনি
কেক উরুবদ ঐন।
য়ুমদদি চৈরে ময়াম নৈবু
অপঙম্ম শীরে খরনা,
খরনা অঙাওবম্মু তাকনবীরে
ঐম্মু ঈকায়বন তুমিন লৈখি।
লোংশিললে চারদো
ছনদোকগ্রগে খল্লে
মী-পোং উকন্দনা
•ত্রংদি ঐবু অঙাওব······· অঙাওব····।
মীংতৈ পি তান
খুম্নাই মীনোক কিবন

লংথোকত্রে মকম থঙদন
অতুদৈ মাবু কাওথোরকলে নোংমে নোংমগী !
উরিৎঙ'হুদদি
“ফঙ কন্তে........”
উত্র মতমসিদদি
করিন্থু পম্লাখত্রে করিমন্তু।
কুমজা কুমওন্নে
মতমগী য়াওনদ
থুংলরে য়েম্নীংথা
ঐখোয় ঙাংখোম্নুংদ।
য়েম্নীংথাগী অহিঙদ নোংম
থেঙন কোয়কুব চল্লকপদ
যুমলোম্নবগী ঙাংখোল কাচিন্দা
য়াই থোকলমই ইরং ইরং...... ।
ঐ চঙশিল্লই
ম্বাই লাঙবংখৈ ওন্থোক্লু ম্নুংশিংখি;
হৌখিব মতমগী তায়দোকইদ বারী
মথঙ মথঙ নীংশিংলকখি পুক্লুম মফমদুদ
কমথখি ভুমিন্ন অমম্বদ
ফত্তে থলখি অকিঙসিদ
মীগী ঙংখোল কাচিন্দ
কনাগুম্বন উত্রগদি হুয়ানব..হয়াংব।
য়ায় লোয় ভুমম।

মী-৫'২/৭৫

তাপ চিক্লু অহিঙসিদ
কুইন কায়ংক্লুরবীসিদ
পাওমেল্লগে লেপ্'ল পুক্লিংন।
কর্বগীদমক চুমে কখিব
লীংগ অশেঙব বারীদো—
মকাক্লু তাখি তুমিগা লুক্কুন;
তাকন্দ লৈখোক্লুন মোমোন নোকখি,
খুম্নাদ থক খুমখিদে
তেন হংখিব রাহং খুদিং।
'নংবু কয়াগী মতীক মুংশিখিব
কয়াদ রাখিব নত্তুংলাংগী।"
কুইরবনি কাওবল্ল ম'রে
অহবু নংশিংলকখি
মাদি তুমিন্ন নোকখি রাইহুদ।
কায়ন পুংকমদ
ঐকাকন কয়া কুইন কপখিব
অমম্বদ কনা ঊদে থম্ন
খঙদব মাদি পঙনোকত নোকখি;
হশেংনদি মহাক ঐগী নি
চৌক্লবতন মীগীদ ঐগী ওইদবনি।
কুকপা হৈমলবাদ করিঙম্বদ
ঐগীদ অমুক থাবল্ল মম্লাই.

অহুমু ঐহাকসে লৈকায়ন চুকানব চুগানব!
ভাইবং মীনোক
মীগী মীরা
খোঙইরমত্রবদি ঐন
ঐগীনিকো ঙসিকাওব!
ফুকলুরবস্থু খুইখখিনি,
অরেম্বদ লৈমন চনখিনি -
হৌজপ্রমস্থ মীগীদ হৌঙিক্তি
মপুদি ঐনি ঐ........।
লৈংহৌরো লৈরাং
লাংখো কুইন
লাকপদি লেপলোই
অথেঙব অহিংদা নংগা উনব।
খুমদে করিমন্ত্র
নোকপ নঙ্গন
শকফমদি উংলি
মালংগী ঈঙিংন।
ঐদি কয়াদ ঈকায়খিব
মতম অমদ ঐন মাবু......
শিংখিগনি লমন
ভঙন উনবসিন মাগা ঐগা।

শীংজবৈম মখা মযেং লৈকায়,
তাং ১৫/৫/১৯৭২

অপোকপী

ইমা!

অপোকপী পলেম !!

কৌজরি নচান থম্মোয় পেম !

ইমা ! ইমা !!

রাজরবীনি মচাশিংগীদমক

চক কয়া কয়া মশীং খৌঙমদন !

ইমা ! ইমা !' ইমা !!!

মতম কুইন পুরুকলব

কোঙপী পোংলুম

থাংথজগে নোংমা পুংসন কৈরিঙ

মতম অতু ভইথ্রিকাও –

হেম্ন চারোই,

হেম্ন থক্লাই

হেম্ন তুংলোই,

হেম্ন ডাঙলোই।

তৌফম খোকপ তৌথ্রিকাও

হিংননবত চাগনি

চাননব হিংলোই।

চাকম খোকপ হুতা

থকফম খোকপ 'চুক্তা
তুমকম খোকপ 'হুক্তা!
অরেম্ব. অককনবা
থাশক, হাশক, নচাশিংগী থাশক !
মতম অতু লাক্লিক'ও
নচাশিং ঈটিক লৈফবন
ইমাগী কোক্তগী কৈশেং নুংশাক
য়েংজব নক্তন মিৎলু ইং লৈং
পাঙ্গল য়াওদে থাংখনা।
য়েংউ মকুপশা।
পোৎলুমগী মৈশান
ইমাগী নরাই লেমক্
নম হৌখিদে মতম শাংনা।
চহি য়াল্লবা উন থুইদ্রবা
পাঙ্গল শোল্লবা য়াংগংলগা
শন্দ উনতন কুপলবা মখাকসে
ঐখোয়গীদি ইমানি, ইম'
কাংলেনগী শারবা নুংশাদ
লম্বীগী লৈতঙ্গায় মথক্তা
খোংউপ থুকুম য়াওদন
পোল্লি পোল্লি চেল্লবা
মহাকসে ইমানি ঐখোয়গী ইমা।

মী-পোং'৬১

নি.থমথ'গী ঈ'লব উলেনদ
লম্বী লিকলা খোঙনেংন
খোংউপ খুরুম য়াওদন
লৈচিল লক্ক মশেন মরাং
শী শী লাওন চংলিবী
মহাকসে ইমানি এখোয়গী ইমা ।
শোল্লবী ইমান তাল্লগ ...।
পাঙদব ঐগী কে তোল্লব মরুপশ ।
মীথকপ ভমপত্র ঈশিং খু ঙ ক 'মতং
খোৱাংবন খোগংনরবী ইমাবু ।
খঙ্গৌ কনাগীদমকনো ইমান রাবিব
লুমিং খুদিং কেখেল লুবাক
কালেন খুদিং চুম্পাংলৈ পুংশাসোব,
নিংথম খুদিং অপাব নমথাং.
কনাগীদমকনো করিগীদমকনো অসুক হ'ব'
নোংন পুমচোং চো-
মশা থক থক নীকপমথ
অচোংপ হুমাই কো ঙৌরগা
অচোংপা চক মৈ য়াঙ্গলগ
নোংমগী চারা তমহুন
চাওনব য়োকলকখিব নৌখোয়নি ।
ঙসিস্থ চুরি অহুঙুব নোং

ওসিংথ কিংলি তুমাই চজিক্ক
লৌবুক্ত ওম পুংতুনবা
ওমিদাংবাইকি লোরং শূক্কনবা।
ঈনাক খুংব লাইবক কবক'
দুবক্তু থনব নখোযগী পূক,
নোমজ্রবক্তু তিংব নাখাযুগী পুক্সি
খাদ্রবক্ত্ব পাংথোকপা নখোয়গী ইগ
কল্লকইদকো কল্লকই লায়রবী
য়েংউ, এগুম্বা ঈকায় থীগনবা থংক
ঈকায়বন মমায় খুংচুন লোংকিংসে
ঈনাকখুংবগী হংনকত্ত এবু থাকলিক'
পলেমবু উবদ মীয়াম মমাংদ।
মমায় পান্দব ওক্তবা মচা থয়সি।
য়ুগী থক্ক কায়জনা শিক্কদি,
ইমাগী পাংলুম মথং তায়গনি।
ময়ং চং নূব মচা অমত্তু,
ঈকাযজৈ কায়বি মচা অমত্তনস্তু
ইমাগী কৈথেল লুবাক কেংকল্লংগী
থাংথবা ওমগনি ওয়াং ওয়াং

পাংজবৈম মখা ময়েং লকায়,
তাং: ১৮/৫/১৯৭২

হিংনিংঙো শিঙনিংঙো

ঐ হিংনিংঙো, শিঙনিংঙো,
ঐ শিঙনিংঙো, শিনিংঙো, শিনিংঙো,
ঐ উনিংঙবু য়েংজনিংঙে
[illegible] মতমসিগী [illegible] [illegible]।
খুমিংল্লু চেথাবরে
অতুদি [illegible] কদোমদা
[illegible] কা হিংনিং[illegible] [illegible] শিনিং[illegible]
[illegible] নংঙো [illegible] মী
[illegible] শিঙনিংলে মিংরূপ [illegible]।
ঈমাংমকদিদ অঙং [illegible] কম কম;
[illegible] ঈমাং[illegible] [illegible]
[illegible] থবায় [illegible] অম,
খুমিংল্লু চেথাঙবরে,
মালেম নংঙু চেথাযবগদ্রা ?
[illegible] তুমন চাকথেকলগদ্র ?
[illegible] উন ওলগদ্রা ?

শাংজলৈ মথা মঙোং লৈকাই
তাং ১১ | ৮ | ১৯৭২

ঐ-পোং/৫২

লমগেদ লম্যাম লমজুংশি

অপ্পুন করমন খংগনি ?
…লেন নং… ন মুংশিব ।
শৈকৌ শৈশক শেবোনম,
থাবা য়াকায় ঙাংলব ।
জৌ-থাক্ট মঙালনা
চৌংথুং মাম্নুং ঙানাশিব
লুংশি বাঙ্গ লোংপরা ?
পারি নমোম মোংজগে ।
পোকনৈ পোকনফম পোম্নুদ
থংম্নোয় থুমন খোংকপ
পিরাংন পিকলপ পিরোয়,
পাশকুই নহৌক নয়াইদ ।
মাইক চন্নু পোকচবি
মীক নৈমা য়োকচবি
ফমবান পাদম লাকলগ
কোরৌ কয়া ঙাল্লিদো ।
নরা ওইরিব লময়ানবশিং
পুরেমগী পুন্সি পাঙ্গলগুম
রাখল রারেপ রাবোম্মন,
পাঙ্গল পাকল পুফরি ।

মতম ভাঙ্গান ভোংবদ
শাবি শানৌ শকচান
মীন মীতমবানদ মিতমলুব
লেমনা লৈতে লেনবদ।
ঈমা! ঈমা! ঈকোৎবং,
হাওদ কাওই হাওবশিং,
চীংমী তমমী খুংশমন
শৈনুংশিদ্দী শৈরোল শকচংশ!
চীকন চায়ন ঙমদব
লৈকোল লেরাং লৈশাংকম
ঙরং ঙরং খোঙ্গেনন।
খুঙ্গা খোইমুঙুম পাইরক্লে
মমন মংগ্রিব উমংদ
মায়কৈ লেপলি কনানা
য়েংউ ঊক্ত খুদিংমক
চীংয়া তময়া ঙানবনি।
য়েননিং থাঙ্গী থাজিনদ
চেকলান চে চেক্রুপ চাম্বনি,
নীংদ নীংব জুংনাংজুই
জুংশি লমজম লানমিশিং।
থঙবিনি ঊখিনি উরাঙবে
খোনাই খোশিন লাকওদে,

মীগী মীয়োন মিতাক্লব
নপাম্বি নমোম নামুং-ল।
নাকেনথাগী নারাংলব নোংথকত
য়েননিং থান য়েনজব য়েননিংলজ,
ককঙাওনব কনানা কপলি
চীকন চাকন চীংলুংদ
খুংশেম কৈশেমত্রব খুম্নাইদ
মিংয়েঙ কৈনা মিকাক্লদ
মীগী মপোক লাংওনদ
ভৈরেপাকপু ভৈরেপ'কনি ক'য়ঙমদব
নুং পেংলি মুংশিজবন
থম্মোয় মনুংদ থমজব
পাম্বৌ পুম্বৌ পুকচ০০
মুংশিখিগেকো লমলেন নংবুনি।

থাগেমপঞ্জী ভূইয়োম লৈকায়. ইম্ফাল
তাং ১০ | ৫ । ৬৫

মী-পোঃ '৫৫

অমম্ব লমাংবদ লমকোয়ব

মালেম পুম্ব রানরে
অচাকপ হুমিংকী মৈশান।
নুরায় পাকব খাংজমরে
অহিংব উকনী অহিংবন।
তাইবং পাম্বন পুম্বসু
অরা পোৎলুমন নম্বুরি।
ঐপাক্কগ পাকপনে
নাঙ্ থানগ ওইবনে
অরংব ঈমায়বু উবদ
নাইতোম চৎপ শিক্কোনব
থম্মোয় নিংদোম চোংখনে
সেক্র তিংশঙ লৈতব
নিংথৌরেলগী মপোকন
কাশক্ক লানফং ওইদন
অথৌব নাগী নোংক্লকসু
মকা ফোংত্রা কৈদৌদৈ?
অমমব চীংনুং মাঙ্খুংদ
নৈবা পায়দব লমকোয়বা
লমলোং খুদিং লমমাংন
তরংগী লাইজ ঈহৌরে।
লমকোয়ববু থোজান হৈহুন
অঙানব মৈরা পীক্রব
তৌব ওমব কনানো?

মৈত্রবাক পুম্ব কপনরে
ক[illegible]লচা খুদিং রাকংলে
[illegible]পাক লম্বী খঙনত্রে।
মপু[illegible] [illegible] [illegible]থৌম্ব
অঙাঙল [illegible]ন কুপাংরে
পোৎম্রোন চেংন থাংরে
মীতোং[illegible]ন হাংব ঙমদরে।

ইঙেনগী খেঙলব অহিংদ
থাবলন ফিজৌ ফৌব মিং[illegible]পঙ।
কৌজেং হাম্রোগী নাওং[illegible]
কনাগী পুক্কিং খুংগ্রোই?
লমকো[illegible]বদী পিরাং মচুমন
অচি[illegible] মফমগী লৈতেং ওই
চাংমী তম্বী যাকায়তলি।

[illegible] মমিং মপুগী
[illegible] লমকোয়ব অংৌব।
[illegible] [illegible] খঙব[illegible]
নংগী শিদ লীকলমনি।
লোশিং মৈরা চুখংসি
অমমব লম্বী উলব।
য়োব ঙমদে শোলকৈদে
থরায় মান লৈরিডৈ॥

কৈশামথোং লোংজম [illegible]
তাং ১।৭।৬৬

মী-পোং/৫৭

১৯৬৫গী আগষ্ট ২৭কী ইম্ফাল

নোংজু অয়ুক কপচেংপি
চোক কপাংখ কপলগ
অয়ুক থওলেপ লেপখরে।

মুংশা নৈম শকহেনবি
মনা ফিগে থোনদুন
মালেম থক্ত থুংলরে।

ইমফাল তুরেল থাকনবি
নিংশা ফুইন হোনদুন
খুদাং পিকম তৈখরে।

ইংখোল মখোন পামেনশিং
লুংতাইজ পোংলুম ওইদুন
চিকক চিকক লেপখরে।

চেকলা মচু মনাওশু
বান ফংব মচিনজাক
মচিন তেকলে হুনজেকলে।

খুংদাং থাইরম হুংত্তরে
মুংশা নৈম ইমাদো
উস্ত ফিরুক পুমখরে।

চারা হেনবা কাওবুগী
অরাম খোরাং কোকনব
নোংমৈ মরু পীজরে
অশি অনা যাওহল্লে।

লুখ্রা পাঙ্গ্রা মচাঙুম
চাকনৌ কিনি চংলুব
মৈতৈ পারি মখোমশিং
নৌওং মীটৈ নংহল্লে।

নোমজ মমল কংদব
চাম্না শিংপা ওইখ্রে
শায়র মচা ওইবন
নীবক লিনব মাদরে।

চানৌংঙাই নৈতে নীকব
শারাক কমল তাম্লকপা
ইমফাল খঙ্গোম্না কায়খ্রে
লৌংশিং নীংশিং কপখ্রে।

ইমফাল কেংখা খোঙ্জেনন
মৈতৈ পালেম চোগংলে
করি লোরে কংঙকলে
মরম পুঙ্গ খঙখ্রে।

ইমা লৈমরেন শিদাব
মপু লিশিং ক্ষমখোকলে
লাংলোন তারোন খোশ্নর
কংলা শাবু তোংখ্রে।

কৈশামথোং লেংজম লেম্বক ইবুঙ্গোহল
তাং ২৮। ৮। ৬৮

লোইরবা।

অইনগী ফোংলবা লাইরিকশিং

১। এখোয়গী সমাজ-সক্তা (১৯৬৬)

১৯৬৫-৬৬ কী অকলশিংনা পাংনবা লাইরিক থবগংপদা মণিপুর সরকারগী মনা পীবীরব অমসুং লাইরিক [illegible] লৈবীরবা।

২। ধ্যান যোগ (১৯৭০)

১৯৭৮-৭৯ গী পাননবা লাইরিক থবগংপদা মণিপুর স্টেট কলা একাদেমীনা শেলগী মখেৎ পীবীরবা।

৩। মী-চেং (১৯৮২)

১৯৮১-৮২ গী পাননবা শরেং লাইরিক থবগংপদ মণিপুর স্টেট কলা একাদেমীন শেলগী মখেৎ পীবীরবা।

লাইরিক ফংফম—

১। ককচিং কৈথেলদা লৈবা লৈচিং প্রেস এণ্ড বাড় অমসুং চেৎইন ক্লিনিক।

২। ইম্ফাল খোইরম্বন কৈথেলদা লৈবা [illegible] বুক [illegible],

শীংজমৈ কৈথেলদা লৈবা চাওবম বুক স্টোর

৩। অইবা অমসুং [illegible]